এৱার্দ ফংলকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫(ঐচ এন এস)ঃ
আর্টস সোসাইটি মণিপুরনা শীন্দুনা সোসাইটি অসিগী প্রসিদেন্ট কুলচন্দ্র এম-থেমনা প্রনাব বারুৱা আর্টস এৱার্দ, ২০১৪ ফংলকপদা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি সোসাইটি অসিগী ওফিস্তা পাঙথোকখ্রে। লাই য়েকপগী লমদা মহাক্না তমখিবা চাউরবা খুদোলবু শক খঙবীবা ওইনা লেমজনিংঙাই ওইরবা এৱার্দ অসি পীরকপদা সোসাইটি অসিগী মেম্বরশিংনা নুংঙাইবা অমসুং থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়রি।

আর্টস সোসাইটি মণিপুরগী সেক্রেটরি টি ঐচ হেরামণিনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, চৎলিবা কুমজা অসিগী ফেব্রুৱারী ২২দা গুৱাহাটিগী বিবেকানন্না কেন্দ্রদা প্রনাব বরুৱা আর্ট এৱার্দ কমিটিনা শীনবা চিং লেল্লবা থৌরম অমদা এৱার্দ অসি কুলচন্দ্র এম থেমদা খুৎশিন্নরকখিবনি। হায়রিবা এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা ২৫,০০০, প্লেক অমা সাইটেসন অমা য়াওরি।

প্রনাব বারুৱা আর্ট এৱার্দ অসি নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন্দা লৈবা থোইদোক হেন্দোক্ক া লাই য়েকপা নৎত্রগা মীতম শাবা শক্ক াইবা আর্টিষ্ট অমবু খনগৎলগা চহী খুদিংগী পীবা অমত্তা ঙাইরবা আর্ট অমত্তা ঙাইবা আর্ট এৱার্দনি। এৱার্দ অসি অসামগী নাগাওদা কুমজা ১৯৩৪গী ফেব্রুৱারী ২২দা পোকখিবা লৈখিদ্রবা প্রনাব কুমার বারুৱা, মোদর্ন আর্টকী লমদা শক্লাইরবা আর্টিষ্ট অসিগী মিংদা লিংখৎখিবনি হায়রি।

জে এস সী সীনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস)ঃ
খোংমন জোন থ্রীদা লৈবা য়ুনাকো অমসুং হায়র সেকেন্দরী সেক্সনগী শাগৎলিবা শরুক খরা শকখঙদবা মীওই খরনা মৈ থাদুনা স্কুল অসিবু মাঙহন-তাকহল্লম্বা থৌওং অসি জোইন্ট ষ্টুদেন্টস' কো-ওর্দিনেসন কমিটি (জে এস সী সী) অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

জে এস সী সীগী কো-কনভীনর এম অঙম্বানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, খুন্নাই অসিগী তুংগী য়ুম্বী কয়াবু অচঙবা মী অমমম ওইনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মহৈশঙ অমবু মৈ থাদুনা মাঙহন তাকহন্নবা হোৎনবা থৌওং অসি লৈরিবা মীওই অমত্তনা মখা তানা তৌবীগনু। কনাগুম্বা স্কুল অসি য়ানিংদবা, নুংঙাইতবা কয়া লৈরবসু পুন্নমক ফম্মিন্নদুনা য়াশিন্নদুনা ৱারোইশিন পুরকমিন্নসি।

হায়রিবা স্কুল অসি মৈ থারম্বা অসি কনানা করিগীদমক চথবনো হায়বদু শেংদোকফম থোকই। স্কুল ওথোরিটিনসু মহৈরোয় অমসুং মীয়ামগী ৱাখল্লোনগী ৱাংমদা খক থবক তৌবীরোইদবনি। লোয়ননা হৌজিক ওইরিবা য়ুনাকো স্কুল অসিগী অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্ক বা স্কুল ওথোরিটি অমসুং ক্লবকী মীহুৎশিং য়াওনা মীফম অমা অথুবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

কোন্সম থম্বৌনা চৈথাখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস)ঃ
হৌখিবা এপ্রিল ১৪দা শ্রী শ্রী গোবিন্দজীগী মান্দপ্তা কুমশি চহীগী ওইনা চৈথাবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। হাকুম চৈথাখিবা খুন্দ্রাকপম নবচন্দ্র মঙাং, তাকয়েল খোংবান্দা লৈবগী মহুৎ কোন্সম থম্বৌ, তেন্দোংয়ান ময়াই লৈকায়দা লৈবনা মহুৎ শিন্দুনা চৈথাবীখি অমসুং মহাক্না ৫৩২শুবা চৈথাবনি। অয়ুক্তা মাইবী লোইশঙনা মায়কৈ মরিদা শরোই খাংবগী থৌরমসু পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা হৌখিবা এপ্রিল ১৩দা হৈবোকচীংদা শীংশৎপগী থৌরমসু মণিপুর পণ্ডিত লোইশঙনা পাঙথোকখ্রে হায়না লোইশঙ অসিগী সেক্রেটরি টি হেমাচন্দ্রনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস)ঃ
মতম শাংনা লিট্‌ল ফ্লাৱর স্কুল থিংজিনখিবা অমসুং ইগজামিনেসন ময়া ওইশিল্লকপা অমসুং মহৈরোয়শিংগী সিলেবস কভর তৌবা নংলোইদবা কয়া অসিনা মরম ওইরগা মতম শাংনা মহৈ তম্বা ফংলক্তবা মহৈরোয়শিংগী পুন্সিদা অকায়বা পীরকপা অসি তুংগী হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংগী খনবীদুনা নাকল অনীমকনা য়াশিন্নবা পুরকপীদুনা মহৌশাগুম অথুবা মতমদা ঈংনা চিক্লা মহৈ তম্বা ফংহনবীয়া হায়না লিট্‌ল ফ্লাৱর স্কুল ষ্টুদেন্টস ট্রান্সপোর্টর য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী নীংশিংজরি হায়না লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

লালহৌবা ১ ফারে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ ঃহৌখিবা এপ্রিল ১৩দা ১২ বিহার রেজিমেন্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী অপুনবা কাঙবু অমনা জীরি পার্কিং এমসু শগোলবন্দ এরিয়াদা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক তৌবদা জেদ য়ু এফকী এক্টিব কাদর অমা ফারে। ফারবা অদুনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী নাগাচীংদগী থোনবুই গোনমৈগী মচানুপা কৈসোঙুই গোনমৈ (১৯) কৌই। ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্না কেস অমা লৌখৎলগা ইনভেষ্টিগেসন চথরি হায়না মণিপুর পুলিসকী পি আর ওগী চেরোল অমদা হায়রি।

লৈঙাক্কী থৌমীশিংনা নুমিৎ হুম্নি মাস কেজ্যুএল লীভ লৌবগী খোঙজং চঙশিনগদৌরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫(ঐচএনএস)ঃ
মণিপুর লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ী, ৱার্কর অমসুং পেন্সনরশিংগী এপেক্স বোদি অমা ওইরিবা এমটুক অমসুং এমজিওগী জে এ সীনা মতম কয়াগী মমাঙদগী তান্দুনা লাক্লিবা মরম চাবা দিমান্দ কয়া লৈঙাক অসিনা হৌজিক ফাওবা থৌশাদদুনা লৈথোক্লি। অমুক হন্না হায়রিবা দিমান্দশিং অসিবু লাক্লিবা এপ্রিল ২৫ ফাওবগী মনুংদা পীথোক্তবা তারগদি এপ্রিল ২৭, ২৮ অমসুং ২৯ নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা মাস কেজ্যুএল লীভ লৌবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

এমটুক অমসুং এমজিওগী জে এ সীগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল কুবের মীতৈনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, জে এ সীনা লৈপাক মীয়ামগী য়েংলগা করিগুম্বা মখল অমত্তগী খোঙজংনচিংবা চঙশিনবা পামদবনি। অদুবু ইমপ্লোয়ী, ৱার্কর অমসুং পেন্সনরসিং খক্তগী ফংফম থোকপশিং মাঙবদা নৎতনা লৈপাক মীয়ামগী মাঙজরক্কদৌরিবা কয়াবু য়েংলগা তঙাই ফদনা চঙশিনগদৌরিবা খোঙজং অসিদা ইমপ্লোয়ী, ৱার্কর অমসং পেন্সনরশিংনা ইশা ইশাগী ইথৌদাংনি খনবীরগা মপুং ফানা শৌগৎপীনবা খঙহঞ্জরি।

জে এ সীগা মণিপুর লৈঙাক্কা য়ানদুনা হৌখিবা কুমজা ২০১০দা ইনখিবা এম ও য়ুবু লৈঙাক অসিনা ঙসি ফাওবা থবক ওইনা ওন্থোকপীরক্তবা হায়বসি ষ্টেট অসিগী ইমপ্লোয়ী, ৱার্কর অমসুং পেন্সনরশিংবু থওইদবনি অমসুং লৈঙাক অসিগী থৌশিল থৌরাং খঙদবনি লোয়ননা ইমপ্লোয়ীশিং, ৱার্কর অমসুং পেন্সনরশিংগী ফংফম থোক্লবশিংবু মৎপিদুনা থল্লি। থৌওং অসিনা ষ্টেট অসিগী হৌজিক্কী অমসুং তুংগী শেনমীৎলোন্দা অমসুং চাউখৎ থৌরাং কয়াদা চাউনা মাঙজরিবা অমসুং মাঙথরক্কদৌরিবা কয়া অসিদগী কলহৌনবগীদমক্তা লৈঙাক অসিগী মথক্তা জে এ সীনা চঙশিন্নবা শেম শারিবা খোঙজংশিংগী মরক্তগী অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ইমপ্লোয়ী, ৱার্করশিংনা মাস কেজ্যুএল লীভ অমসুং অতৈ তোঙান-তোঙানবা খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা লৈঙাক অসিনা য়ান্নখিবা ৱাফমদা মৎলগা থন্বীবা অমসুং দিমান্দশিংগী মরমদা শন্নপ্না থমজরিবদি, অনৌবা পেন্সন স্কীম লৌথোক্লগা হান্নগী পেন্সন স্কীম অদুমক চৎনহনগদবনি। এদহোক, মষ্টররোল, কেজ্যুএল অমসুং কন্ট্রেক্ট ইমপ্লোয়ীশিংবু হাংদুনা লৈরিবা পোষ্টশিংদা রিগুল্যর এপোইন্টমেন্ট পীথোক্কদবনি। দিপার্টমেন্ট কয়াবু প্রাইভেটাইজেসন তৌনবা হোৎনরিবা অসি তৌরোইদবনি। ষ্টেট অসিদা মতমগা চানবা লেবর লো শেমদুনা শিন্নীশিংদা ৬শুবা সেন্ট্রেল পেনা পীরিবা খুদোংচাবসিং পীথোক্তনা থন্বীরিবা অসি পীথোক্কদবনি হায়রি।

৭শুবা সেনট্রেল পে রিভিজন কুমজা ২০১১গী জন্যুৱারী ১দগী চৎনহল্লু অমসুং ষ্টেট অসিদসু চপ মান্ননা চৎনহনবগা লোয়ননা মদুগী ফংফম থোকপা এরিয়ারনচিংবা খুদিংমক চপ চানা পীথোক্কদবনি। সেন্ট্রেল সার্ভিসনা হৌজিক ফংলিবা দি এ/দি আরগী দোজ অসি কুমজা ২০১৪গী জুলাই ১ ফাওবদা চাদা ১০৭ ওইবদা মণিপুরদদি চাদা ৯০ খক্তমক পীরি। পীরিবা খুৎপি অসি চৎনবগী কাঙলোন থুগায়দুনা পীনিংবা মতমদা এরিয়ারনচিংবা অমত্তা য়াওদনা পীরি। পীরিবা খুৎপী অসিসু চৎনবী কাঙলোন থুগায়দুনা পীনিংবা মতমদা এরিয়ারনচিংবা অমত্তা য়াওদনা পীরি, ৱাৎহৌরিবা চাদা ১০ অমসুং চাদা ৭ পীথোক্কদবনি হায়রি।

এস সী এ পীবদা দি এনা চাদা ৫০ য়ৌবা খুদিংগী এস সী এ চাদা ২৫ হাপকদৌবনি। অদুবু হৌজিক চাদা ৯০ দি য়ৌরপা ফাওবদা পীবিদনা থল্লি। খুদম ওইনা থা খুদিংগী এস সী এ লুপা ১২০০ ফংনরিবশিংদা লুপা ৩০০ (১২০০গী চাদা ২৫) হাপ্লগা লুপা ১৫০০ পীবিদ্রি। ট্রান্সপোর্ট এল্লাৱেন্স পীবদা দি এ, দিয়ারওন হায়বদুসু য়াওদ্রি, খুদমদি থা খুদিংগী লুপা ৮০০ ফংনরিবশিংদা লুপা ৭২০(৮০০গী চাদা ৯০) হাপচিল্লগা লুপা ১৫২০ ফংফম থোকপদা ঙসি ফাওবদা মৎতুনা লৈরি। মরকসিদা মণিপুর গভর্নমেন্টী জুদিসএল সার্ভিস ইমপ্লোয়ীশিংগীদি দি এ/দি আর চাদা ১০ কুমজা ২০১৪গী জন্যুৱারী ১ অমসুং চাদা ৭ কুমজা ২০১৪গী জুলাই ১দগী চৎনবা হৌখ্রবা অসুম্না কায়দনা পীরি। অসিগুম্বা কাঙলোন চুমদবা থৌওং অসিনা ষ্টেট ইমপ্লোয়ী, পেন্সনরশিংদা মান্নদবা মীৎয়েং অমা থমদুনতা লাক্লি হায়রি।

মচা অনী ফাওবগী ওইনা চিলদ্রেন এদ্যুকেসন এল্লাৱেন্স অসি মচা অমগী থা অমদা লুপা ৪০০০গী চাংদা মচা অনীগীদি পুন্ন থা খুদিংগী লুপা ৮০০০ পীফম থোকপসু পীবিদনা থন্বীরি। ইমপ্লোয়ী কাঙলুপ খুদিংমক্তা পীগদবা মোদিফাইদ এস সী পি থ্রী টায়ার সিষ্টেম চহী ১০, ২০ ৩০ পীগদবা অমসুং এক্টিব সার্ভিসকী চহী ৮, ১৬ অমসুং ২৪ খুদিংগী পীগদবা খুদোংচাবা কয়াসু নমশিন্দুনা থন্বীরি হায়রি।

৬শুবা পেগী কম্পোনেন্ট অমা ওইরিবা দিষ্টর্ব এরিয়া এল্লাৱেন্স ষ্টেট অসিগী পীফম থোকই। মরমদি ষ্টেট অসি দিষ্টর্ব এরিয়া এক্ট চৎনরিবনিনা। খুদমদি ষ্টেট অসিদা থবক তৌরিবা আই এ এস, আই পি এস, আই এফ এস অমসুং সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী ইমপ্লোয়ী খুদিংমক্তি মসিগী খুদোংচাবা ফংলিবনি। মতম অয়াম্বদা ওভর টাইম ওইনা থবক শীজিন্নরিবা মণিপুর সেক্রেটরিএটকী দ্যুটি এল্লাৱেন্স মতিক চানা ঙসি ফাওবা পীবিদ্রি। মণিপুর পুলিস, এম আর, আই আর বিশিংগী রেসন মনি য়ামদ্রবাদ লুপা ২৫০০ পীফম থোকপদা লুপা ১০০০ খক্তমক পীরি অমসুং য়ুনিফোর্ম এল্লাএৱন্সনচিংবা খুদোংচাবা খুদিংমক মৎতুনা থন্বীরি হায়নসু চেরোলসিদা জে এ সীনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

উমংলাই মশক চুম্না হরাউনবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নসি ঃ উকল

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫(ঐচএনএস)ঃ
ঐখোয়গী উমংলাই হরাউবা মশক চুম্না থম্নবা হোৎনবদা ইরমদমসিগী মীয়াম লাই থৌগল লূপশিং অমসুং লাইথৌ তৌবিরিবা অমাইবা, পেনা অশেবা অমসুং অমাইবীশিং ঐখোয় পুন্না অমত্তা ওইনা খুৎশম্মনা চৎমিন্নসি হায়না উমংলাই কনবা অপুনবা লূপকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি লোংজম অরুননা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, পোইরৈ ইরমদম অসিগী ঐখোয়গী ইফুরুপসিগী অশেংবা শক্তম, নাৎ, চৎনবী, ফিশেৎ, লৈতেং, জগোয়, ঈশৈ অমসুং হৌরক ৱারীবু তাক্লিবা ঐখোয়গী উমংলাই হরাউবনি। উমংলাই হরাউবগী লাইথৌ থৌরম অসিদী ঐখোয়গী লৈঙাক্লোল, খুন্নাইলোল, লৈশেমলোল, পুন্সিরোল অমসুং মীওইবগী পোকপদগী শিবা ফাওবগী খোঙচৎপু নৈনরিবা ইফুরুপ অসিনা থাদোক্লবা য়াদ্রবা অমতা ঙাইরবা থৌরম্নি। উমংলাই হরাউবগী লাইথৌ থৌরম অসিবু ঐখোয় পুন্নমক্কা মখোঙ শেংনা মশক নাইনা লীক্লম চুম্না পাঙথোকমিন্ননবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নবা চঙই। তৌবা য়াবা য়াদবা কয়া লৈরিবশিং অদু খঙমিন্নদুনা তৌবা য়াদবশিং তৌশিন্দনবা ঐখোয় পুন্ন মকনা খঙমিন্নসি হায়রি

লৈকায় লৈকায়, খুল খুল খুদিংমক্তা চহীগী ওইনা শোইদনা পাঙথোক্লুরিবা উমংলাই হরাউবগী লাইথৌ থৌরম্নি। থৌরম অসিদা মমাঙগী চহী কয়াদগী থৌরমশিং পাঙমিন্নদুনা লাক্লিবা মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগা উকলগা য়ান্নখিবশিংদু ঙাকমিন্নদুনা লাই হরাউবুঙদা লীলা শান্নবিদনবসু হায়জরি। কনাগুম্বা লীলা পার্টিশিংনসু য়ানখিবা ৱাফমশিং ঙাক্লা চৎপীনবা অমসুং য়ানখিবগী ৱাংমদা লীল শান্নবীদনবা লীলা পার্টিশিংদসু হায়জরি হায়রি।

নাকল অমরোমদা উকলনা উমংলাই হরাউবগী লাইথৌ থৌরম সিবু মশাগী ওইফম থোকপা মশক অদুবু চুম্না তৌশি হায়বা মতমদা থওই ৱাওইদবা হায়বসি ইফুরুপ অসিগী ওইনদি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। কনাগুম্বা থৌরমলোয়শিংনা খঙন-চান্নবা লৈবা শাদুনা অখঙ-অহৈ, অওৎ-অপা শাদুনা পঙাং ঙাংবা, পংতৌ তৌশিনবদু তোকপীয়ু। অদোম্না চৎলিবা লীচৎ শাজৎ, ঙাংলিবা ৱাঙাং শঙাং অদু ঐখোয়গী মীয়াম অসিগী মায়োক্তনি হায়রি।

মীয়াম হায়বসিদা অদোমসু অদুম য়াওরিবনি। নশানা নশাগী নখোঙদা থাঙনা য়ানশিনগনু। মফম মতম চারিঙৈগী উকলগী ময়াই লোইশঙদা লাকপিদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবীয়ু। উকলসু মীওইবনি, অদোম, অদোমসু মীওইবনি। অদোম্না ফুরুপ অসিগী ইনাৎকী থৌরমশিংদা তাংজদুনা হিংলিবা মীশক্লি হায়রি।

হৌজিক ঐখোয়গী মীয়াম অসি চামদা হুম্ফুদি মনাৎপুনুংশিরবনি, মপাল থোক্লা মথৌ তৌজদ্রবসু, ইনাৎতা শীংনৈ হায়দুনা উকলনা মীয়ামদা শিন্নখিবা মতমদা অদোমগী পুন্সি হিংনবগী খোঙচৎতা তিঙ্খাংগী তিঙ্খাং ঙাক্তা ঙাইগনি। তিঙ্খাং মরক্তা লন্বী চৎপা য়াম্না নুংঙাইতবনি খঙবীয়ু। খুদোংথীবা, নুংঙাইতবা থৌদোক থোরকপা মতমদা থৌদোক্তুগা উকলগা মরী লৈনদে। মরম অদুনা লাল্লুবরশিংনা নুংঙাইতবা থৌদোক থোক্লিঙৈ ইশা ইশাগী খন্থবীহৌ হায়রি।

‘মীয়াম পুন্না শরুক য়ামিন্নসি’

ককচীং, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস)ঃ ভারতিয়া জনটা পার্টি (বি জে পি)না ইন্দিয়াদা অওনবা অমগীদক্তা অকনবা শাফু অমগা ইরোয়ননা অহোংবা কয়া থমখ্রবগী মতুংদা অমুক্কসু অওনবা মণিপুর অমা পুরক্লবগীদমক্তা লাক্লিবা এপ্রিল ১৮দা বি জে পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট ওইনা অমিত শাহনা মণিপুরদা লাক্কদৌরিবা অসিদা লিলোং এসেমব্লি কনষ্টিট্যুন্সি অসিগী মীয়াম অমসুং মণিপুর ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মরু ওইনা মুস্লিম মাইনোরিটিশিংবুসু শরুক য়ামিন্নসি হায়না লিলোং এসেমব্লি কনষ্টিট্যুন্সিগী এক্স মিনিষ্টর মোহম্মদ অলাউদ্দিননা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোক্লি।

লাইনীংহন নাওরিয়া ফুলো নোঙ্গাখিবগী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫(ঐচএনএস)ঃ
মীতৈনা চহী ৩০০ লোম মীগী নাওশুম মখাদা তুমদুনা লৈরম্বদগী য়াকাইরোল শক্তুনা মীতৈবু তুম্বদগী হৌদোকপিরম্বা মীতৈগী লাইনীংহন নাওরিয়া ফুলোগী লৈখিদবা চহী ৭৪ মপুং ফাবা (কুমজা ১৮৮৮-১৯৪১) অসিদা লাইনীংহন নাওরিয়া ফুলো চেরিটেবল ট্রষ্টনা লাইনীংহন ফুলোগী মপোক নুমিৎতা মহাক্কী শৈরেংদা য়ুম্ফম ওইরগা পাঙথোকপা অদুগী ইরোইনননা হন্দক চহীদগী হৌনা মহাক্ক া নোঙ্গাখিবা নুমিৎপুসু নীংশিংবা ওইনা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়রি।

লাইনীংহন নাওরিংয়া ফুলো চেরিটেবল ট্রষ্টকী মেনেজিং ট্রষ্টি এন চাউবনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, থৌরম অসিদা মহৈরোয়শিংগী ওইবা শৈরেং শৈদানবা ‘লাইনীংহন ইবুঙোদা শৈথাজবা’ (লাইনীংহন ইবুঙোদা শৈথাদুনা ইবা শৈরেংশিংদা য়ুম্ফম ওইবা) ক্লাস ফাইবতগী টুয়েলব ফাওবদা তন্নিবা মহৈরোয়শিংগী ওপন কম্পিটিসন অমা দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টতা অহানবা ওইনা পাঙথোক্লগা খনগৎলবা মহৈরোয় মঙা মঙা লাক্লিবা মে ২৪, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবদা অথোই অহেন চাংদম্নবা পাঙথোক্কনি। লোয়ননা নুংথিলগী পুং ১ তাবদগী অহন ইবুঙোগী লাইরিকশিংদা য়ুম্ফম ওইবা সেমিনার অমসু পাঙথোক্কনি।

মসিগী মথক্তা লাইনীংহন ইবুঙোনা ইবিরম্বা খুৎয়েক লাইরিকশিংসু অর্কাইবতা খুৎশিন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি। মরম অদুদা লাইনীংহন ইবুঙোবু নুংশিবীবা ইপা-ইপল, ইমা-ইন্দোল, ইবুংঙো-ইবেম্মা, মহৈরোয়শিং পুন্নমক্লা থৌরমশিং অসিবু মপুং ফাঙনবীরনবগীদমক ট্রষ্টকী মায়কৈদগী নোল্লুক্লা পাউজেঞ্জরি হায়নসু চেরোলসিদা ফোঙদোরক্লি।

অথুবা মতমদা স্কুল হাংহনবীয়ু ঃ স্লুকো

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস)ঃ
হৌজিক হৌজিক কেথোলিক স্কুল, কাঞ্চিপুর থিংজিল্লিবা অসিনা তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা ইরমদমসিগী মহৈরোয়শিং অসি লৈখা তানা মাঙদুনা খুন্নাই অসিগী মাঙজবা নৎতনা হীরম অমত্তদা অফবা পুরক্লোই হায়না শিংজমৈ টু লিলোং য়ুনাইটেদ ক্লব'স ওর্গনাইজেসন (স্লুকো)গী জেনরেল সেক্রেটরি কে সান্তোস লুৱাংনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, তুংগী লৈপাক্কী মতিক চাবা য়ুম্বীরেল পুথোকফম ওইরিবা মহৈ তম্ফমশঙবু করিগুম্বা পামদবা থৌদোক খরগীদমক মতম কক্তনা থিংজিনবা হায়বা অসি মালেমগী লাল নংলবা মফমশিং অমসুং হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিং লোইনাইদনা চথরিবা মফমশিংদা ফাওবা তৌনদে। মহৈ তম্ফম শঙ হায়বসি লাইনীংগী ময়োল ওইরবা শেংলবা লাইশঙ অদুগী মথক্তা লৈরিবনি। মসিদি কনফ্লিক্ট সিচ্যুএসনগী নৎত্রগা এদ্যুকেসনগী চাউখৎ খোঙথাংগী থবক পাঙথোকপদা শুংশোক শোক্লোইদবা মফমদা তেক্তা কায়দনা থমগদবনি।

মরম অদুনা পুন্নমক্লা খন্থমিন্নদুনা তুংগী খুন্নাই অমগীদমক স্কুল অসি অথুবা মতমদা হাংদোকপীয়ু। ঐখোয় পুন্না তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরিবা মহৈরোয়শিং অসি শেমগৎমিনসি। স্লুকোগী এরিয়াদা লৈরিবা মহৈ তম্ফমশিং অসি লীশাং শিংপা য়েংশিন্দুনা মেরিটোরিঅস এৱার্দ পীদুনা লাক্লি, মতুংদসু য়েংশিনখিগনি। স্লুকোগী এরিয়াদা লৈরিবা মহৈ তম্ফম শঙশিং অসিগা কনাগুম্বা ওর্গনাইজেসন্না হায়নিংবা অপাম্বা লৈরবসু স্লুকোগা হান্না তান্নবিরমগদবনি। লোয়ননা মহৈ তম্ফম শঙশিংনসু করিগুম্বা প্রোব্লেম অমা লাকপা মতমদা স্লুকোদা পাউ পীরক্তুবদি মহৈশঙশিংগীদি মশা মশানা থৌদাং লৌজগদবনি হায়রি।

১৬শুবা মপোক কুমওম থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস) ঃ
ওল মণিপুর রিক্সো ড্রাইভর্স এন্দ পুল্লর্স ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী ১৬শুবা মপোক কুমওনা থৌরম হন্দক চহীগী ওইনা লাক্লিবা এপ্রিল ১৭কী অয়ুক পুং ১১ তাবদা ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি টি রোশনিকান্তনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, এসোসিএসন অসিগী লৈখিদ্রবা মেম্বরশিংগী ইমুংগী মীওইশিংদা শেলগী মতেং পীবা, হৌজিক লৈরিবা চহী ৬০ হেল্লবা মেম্বরশিংদা এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী ঙমজবা খুদোল তম্বা অমসুং এসোসিএসন অসিগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক খন্ন-নৈনবনা থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শরুক ওইগনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অদুদা মণিপুরগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম, এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট থোকচোম বসন্ত, ৱাঙ্খে এ সীগী এম এল এ ৱাই ইরাবোত, য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট নবচন্দ্র য়ুম্নাম, পান্দমগী প্রসিদেন্ট য়ুম্নামচা দিলিপকুমার, য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট বি এম য়াইমা শাহ অমসুং পান্দমগী এদভাইজর ডো. সি ঐস মনোরঞ্জন খুমন্না অথোইবা লেঙবীরকপা, থৌরম মপু অমসুং ঈকায়খুম্নরিবা লেঙবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াগনি।

ওল মণিপুর রিক্সো ড্রাইভর্স এন্দ পুল্লরর্স ৱেলফেয়র এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিং অমসুং এসোসিএসন অসিবু নুংশিজবা ইরৈচা পুন্নমক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা শোইদনা শরুক য়াবীদুনা মপুং ফাহননবীনবা নোল্লুক্কচরি। লোয়ননা রিক্সো থৌরিবশিংনসু নুমিৎ অসিদা শিন্থা লেপ্পীয়ু হায়নসু চেরোল অসিদা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

m\licjg DUTTA CLINIC m\licjg

অঙৌবা পকপা, তাং-তাং চিকপা, নুপাগী প্রোব্লেম, নুপীগী প্রোব্লেম, নুংশং অমসুং গ্যাস্ত্রিক, ডাইবেটিস, নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম অমসুং য়ু করম্না থাদোক্কনি

অঙৌবা পকপা :



অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :

ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙন্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে। মমল লুপা ৪৫০।

নুপীগী প্রোব্লেম :

ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ত্রিক্কী :

নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :

না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।

অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

য়ু করম্না থাদোক্কনি :

য়ুদা লায়চুদুনা লৈরবা মীওইশিংদা মশা খংহন্দনা ঐখোয়গী হিদাক অসি পীজবা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুং হরাও-নুংঙাইবা হায়বদো হঞ্জিল্লকনি। মহাক শোয়দনা য়ু থাদোক্কনি।

HL-B/2207/23/2-22/3

rGf smgegd
DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

সী পি আইগী লুচিংবা থাংজবা বাবু লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫(ঐচএনএস)ঃ
মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল সি পি আইগী মরু ওইবা লুচিংবা ওইরম্বা কমরেদ থাংজম বাবু ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে, মহাক মশাগী চহী ৮৪ শুখ্রে হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল, সী পি আইগী সেক্রেটরি ডো. এম নরানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লুচিংবা অসি লৈখিদবগী পাউ হেকতবগা সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি ডো. এন নরা, নিংথৌজম মঙ্গি অমসুং অতৈ পার্টিগী লুচিংবশিংনা মহাক্কী থোকচোম লৈকায়দা লৈবা ময়ুমদা চৎতুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উৎখি।

লৈখিদ্রবা ভেটরান লুচিংবা অসি জননেতা ইরাবতগী লমজিং মখাদা মণিপুরদা চঙশিনখিবা আর্মদ ষ্ট্রগলদা শরুক য়াখি। অন্দরগ্রাউন্দ লৈরিঙৈ মনুংদা বর্ম্মাদা চৎতুনা ট্রেনিং তৌরুরবা মরু ওইবা মীশক অমনি। মহাক্না মতম শাংনা অন্দরগ্রাউন্দা লৈরুরবা মতুদা থোরক্লগা মণিপুর য়ুথ লীগকী ফাউন্দর লিদর অমা ওইখি অমসুং মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল, সী পি আইগী মরু ওইনবা থৌদাং কয়া লৌরমখি হায়রি।

মতম খরা ওজাগী শিনফমদা লৈরম্লবা মতুংদা মহাক বেঙ্কিং সেক্টরদসু অচৌবা থৌদাং লৌবা মীশক অমা ওইরমখি। য়ু বি আইদা দিপ্যুটি জেনরেল মেনেজরগী ফম পায়রম্লবা মতুংদা দিপুটেসন্দা মণিপুর রুরেল বেঙ্ককী অহানবা চ্যেরমেন ওইখি। মহাক্কী অরোইবা মথৌ মঙম লাক্লিবা এপ্রিল ১৭তা পাঙথোক্কনি হায়রি।

শক্লাইরবা শৈরাংবা, শৈরেংবা অমসুং অইবা জয়ন্তকুমারনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫(ঐচএনএস)ঃ
মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচর চাউখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা ব্রহ্মপুরদা লৈরক্তা লৈবা বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মানা হৌখিবা এপ্রিল ৯দা খঙহৌদনা লৈখিদবদা সেনিয়ার সিটিজন ফোর সোসাইটি, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট লাইশোম ললিৎকী ময়ুমদা মহাক্না ময়াই তাংবল লৌদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়রি।

সেনিয়ার সিটিজন্স ফোর সোসাইটি, মণিপুরগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, মীফম অদুদা মিনিট অনী তুমিন্না লৈদুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱাইনা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা মপুগী মফমদা থৌনিজখি।

ওল মণিপুর ৱারী লীবা এসোসিএসন এন্দ রিছার্চ সেন্টরগী সেক্রেটরি ৱায়েনবম চীংলেননা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদসু হায়, মণিপুরগী আর্ট অমসুং কলচর চাউখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা শক্লাইরবা বি জয়ন্টকুমারনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা খুরাই সোইবম লৈকায়, ইম্ফালদা লৈবা সেন্টর অসিনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমদা পাঙথোকখ্রে। মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা মণিপুরগী তাংলবা নেরেটিব আর্ট ফোর্ম অমা ওইরিবা আর্টপুয়োকখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিরম্মী।

ঙসি অয়ুক পুং ৯ তাবদা লূপ এসোসিএসন অসিগী হেদ ওফিস্তা মেম্বর পুন্নমক মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক মপুগী মফমদা থৌনিজখি হায়রি।

মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস)ঃ
লাইখুন্দিন নুমিৎতা ইপা-ইপুগী লীচৎ খুভমদা হঞ্জিনবগী ৱাশক লৌখিবা নুমিৎ লোয়ননা অদুঙৈগী লাইয়াম্না লাই খুন্দিনখিবা নুমিৎ অদুবু চিংশিন্দুনা লেপহল্লগা কুমজা ১৯৩০দী ইপা-ইপুগী খুভমদা লাইনীং লীচৎ, নাৎ লোল, ময়েক্ক চিংবা লৈবা খিবিক কননবগী লেপ্লখিবা নুমিৎ অসিবু ঙাকপা ওইনা হৌখিবা এপ্রিল ১৩দা অপোকপা মরুপ শঙলে অকাম্পাৎ, ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা লম্বোই খোংনাখোঙ মমাঙ লৈকায়দা লৈবা থৌশঙ মশাদা ইপুরোই অপোকপগী ফম্বাল ঈরাৎতুনা ইরৈপাক ইরমদগী লোয়ননা তেংবানবগী য়াইফনবা থৌনিখ্রে অমসুং ময়াম পুন্নমক্লা য়াইরোন নিজখ্রে হায়রি।অপোকপা মরুপকী থৌপুরেন থোকচোম কুবেরনা প্রেস্তা থোকপা থৌরম অদুদা অপোকপা মরুপকী অঙম্বা এন এক পুথিবনা ময়াই তাংবল লৌখি। থৌরমদুদা লাইনীংহলনা দিস্কোভর তৌরম্বা য়েলহৌ ময়েক অসিনা ইদুনা থম্বীরম্বা লাইৱা-লাইরোন, লাইরিক অমসং সাকোক থিরেন পুয়ানচিংবা ইবা পাবা ঙম্নবগীদমক মীয়ামদা তম্বীবাহৌদোকখি। লোয়ননা ঙরাং এপ্রিল ১৪ অসি অপোকপা চহীরোন ৮৬ চঙবা হৌবগী নুমিৎ হৌবগা চৈরাওবগী থৌরমসু পাঙথোক্লবগীদমক পুক্লিং অমত্তা ওইনা লেপ্লখি।

মীলালনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপশিং লৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫(ঐচএনএস)ঃ
হৌখিবা এপ্রিল ১৩গী নুংথিল পুং ১ তাবদা মীলালগী ময়াই লোইশঙদা লূপ অসিগী ঙমথং লুচিংপুরেল মোইৱাংথেম নাওখোম্বানা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা লূপ অসিগী থৌপুবশিংগী অখন্নবা মীফমনা তোঙানা তোঙানা ৱারেপশিং লৌখ্রে হায়রি।

মীলাল, ময়াই লোইশঙগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল মদা মখা তানা হায়, মীফমনা লৌখিবা অহানবা ৱারেপনা লূপ অসিগী সেক্রেজরি জেনরেল পাওনম থাকাবানা শিলহেন চেরোল মার্চ ২৯ পীরকখি, সেক্রেটরি এদ্যুকেসন খোংবান্তাবম চন্দ্রকান্তনা মার্চ ৩১ শিলহেন চেরোল পীরকখি, লুচিংপুরে শাদোকপম তোম্বানা এপ্রিল ৯দা শিলহেন চেরোল পীরকখি। পুন্নমক অসিনা মরম ওইরগা লূপ অসিগী ঙমথং লুচিংপুরেল মোইৱাংথেম নাওখোম্বা মীতৈনা ঙসিদগী থারগা থা তরুকক্কী ওইবা শিলহেনগী অয়াবা পীখিবদা অমত্তা ওইনা য়ানখ্রে।

মীফম্না কুপ্না খন্নরবা মতুংদা মথক্কী মীওই অহুম অসিনা পায়রম্বা ফমশিং অসিবু লূপ অসিগী ঙমথং লুচিংপুরে মোইৱাংথেম নাওখোম্বানা পুবা হায়নসু লেপখ্রে হায়রি।

স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাদবগী মতাংদা মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস)ঃ
লাক্লিবা এপ্রিল ১৭কী নুংথিল পুং ২ তাবদা উরিপোক বাচস্পতি লৈকায় য়ু সী এ এল কম্যুনিটি হোলদা মণিপুরদা নেসনেল সপোর্টস য়ুনিভর্সিটি অমা প্রাইম মিনিষ্টরগী ১০০ ডেজ প্রোগ্রাম মনুংদা শাবীদবগী মরমদা খন্ন-নৈনবগীদমক মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্কদৌরি। হায়রিবা মীফম অসিদা মণিপুরগী সিভিল সোসাইটি, সিভিল ওর্গনাইজেসন, ক্লবশিং, মীদিয়া অমসুং মৈরা পায়বীশিংনা শরুক য়াবীয়ু হায়না জোইন্ট কমিটি উরিপোক য়ুনাইটে ক্লব'স ওর্গনাইজেসন অমসুং য়ুনাইটেদ ক্লব এন্দ লাইব্রেরী হায়না উরিপোক য়ুনাইটেদ ক্লব'স ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি এ মুকুন্দোনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

CROSSWORD-1713



ACROSS

7 Medium-dry sherry (11)
8 Third sign of the zodiac (6)
9 Riches (6)
10 Immediately (2,4)
12 London rail terminus (6)
13 Female in religious order (3)
14 Protective headgear (6)
16 Bicycle for two (6)
18 Old Greek city (6)
20 Horizontally (6)
22 The nobility (11)

DOWN

1 Palm fruit (4)
2 Movement (6)
3 Loud and grating (8)
4 Defect (4)
5 Channel port (6)
6 Defer (8)
11 Actor (8)
12 Way in (8)
15 Space at edge of page (6)
17 Scandinavian country (6)
19 Gaming stake (4)
21 Inflamed swelling on eyelid (4)

Solution 1712

S	T	R	E	S	S	■	P	E	R	I	L	S
C	■	E	■	A	■	■	■	N	■	D	■	O
R	I	P	E	N	■	C	O	L	L	I	E	R
I	■	R	■	T	■	H	■	A	■	O	■	R
P	R	O	F	A	N	E	■	R	O	M	E	O
T	■	O	■	■	■	C	■	G	■	■	■	W
■	■	F	R	A	N	K	N	E	S	S	■	■
D	■	■	■	V	■	M	■	■	■	A	■	R
E	L	U	D	E	■	A	U	S	T	R	I	A
P	■	N	■	R	■	T	■	L	■	D	■	I
I	M	I	T	A	T	E	■	A	L	I	A	S
C	■	O	■	G	■	■	■	T	■	N	■	I
T	E	N	D	E	R	■	A	E	G	E	A	N

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-1522

		5	6	4			8	
	3			2		1		
6		2						
5			4			8	9	1
9	4	3			6			2
						6		3
		9		7			1	
	2			6	8	7		

Solution-1521

2	4	7	6	1	5	8	9	3
9	3	5	8	7	2	4	1	6
6	8	1	9	3	4	2	7	5
1	6	3	2	8	9	5	4	7
7	2	8	5	4	1	6	3	9
4	5	9	7	6	3	1	8	2
3	7	6	1	5	8	9	2	4
8	9	4	3	2	6	7	5	1
5	1	2	4	9	7	3	6	8

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9